# ওলিম্পিক ক্কালিফিকেসন ইভেন্ট অমা ওইরিবা এসিয়ন জুদো ওপন্দা লিকমাবম সুশিলা সিলভর মেদল লৌখ্রে




**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

মণিপুরগী জুদোকা লিকমাবম সুশিলা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা চাউনা থাজবা থল্লিবা শান্নরোয় অমা ওইরি। মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমস অসিগীদমক সুশিলা ওলিম্পিক ক্কালিফাই ওইবা ঙম্লনবা অকনবা লাম্হেং অমগা লোয়ননা চঙশিল্লি।

সুশিলা, হোং কোংদা নুমিৎ নীনি চুপ্পা নবেম্বর ৩০দগী দিসেম্বর ১ ফাওবা চত্থখিবা 'এসিয়ন জুদো ওপন'দসু সিলভর মেদল অমা লৌবা ঙমখ্রে। হায়রিবা জুদো কম্পিটিসন অদুগী কিলোগ্রাম ৪৮গী কম্পিটিসনদা মোঙ্গোলিয়াগী গোল্ড, ইন্দিয়ানা সিলভর (এল সুশিলা) ফঙখি। ওলিম্পিক ক্কালিফাইদকী প্লে ১০ মথং মথং শান্নরকপনা হৌজিক্তী সুশিলানা শান্নগদবা বাউটসু মরিখক্তা ঙাইশিল্লক্লে। মথং চহীগী মে থা ফাওবদা মরি অমগা শান্নরবা মতুংদগীদি ওলিম্পিক য়াওবগী ৱাফমসি হেন্না ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্লগনি। অদুগা হৌজিক ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী রেঙ্ক ৱাংনা লৈরিবী জুদোকাসি



সুশিলানা ওইরি। নুপাগী জুদোকা বিজয় যাদবকা মহাক্কা ওলিম্পিক্তা হেন্না অফবা জুদোকা অমা থানবা কন্না ইন্নরি। অদুমকপু বিজয় যাদবতি হোং কোংগী 'এসিয়ন জুদো ওপন'দা ব্রোঞ্জ ফংখিবনা সুশিলানা মকোক্তা লৈবা ঙল্লি।

জুদোকা লিকমাবম সুশিলাগী মতাংদা খরদং নিংশিংলম্বা য়াবদি, শান্নরোয় অসি কুমজা ১৯৯৫গী ফেব্রুৱারি থাদা ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা হৈঙাং ময়াই লৈকাইদা লিকমাবম মনিহার অমদি লিকমাবম ওংবী চাওবী দেবীগী মচানুপী ওইনা তাইবঙদা খোঙদারকখি। য়াম্না অঙাং ওইরিঙৈ মতমদগী হৌনা সুশিলা মখুৱাগী (এল দিনিত, জুদো কোচ) মতুং ইন্দুনা জুদো শান্নবা হৌরকখি। মশাগী চহী ১৬ হায়রকপা অদুৱাইদগীদি ইন্টর্নেসনল থাক্তা শান্নবা ঙম্বী প্লেয়রসু ওইরকখি।

কুমজা ২০১১দা লেবানন্দা পাঙথোকখিবা এসিয়ন জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা লিকমাবম সুশিলানা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলুপ্তা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা শান্নখিবদা সনাগী মেদল লৌরকপদা নত্তনা বেষ্ট প্লেয়রসু তারকখি। কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলুপ্তা ইতৎ তত্তনা ইন্দিয়াগী মীংচৎ পুরক্লিবী জুকোকা অসিনা কুমজা ২০১৪দা তৌখিবা 'গ্লাসগো কম্মনৱেল্থ গেমস'তসু লুপাগী মেদল পুরগা লাকখি। মসিগী মথং কুমজা ২০১৬কী ফেব্রুৱারী ১৪দগীনা ১৬ ফাওবা সিল্লোংদা পাঙথোকখিবা 'সাউথ এসিয়ন গেমস' তসু ইন্দিয়া রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শান্নখিবদা সনাগী মেদল লৌরকখি। কুমজা ২০১৮গী এপ্রিল ২১দগী ২৩ ফাওবা পাঙথোকখিবা 'সাউথ এসিয়ন জুদো চেম্পিয়নশিপ' তসু ইন্দিভিজুয়েল অমদি টিম ইভেন্টতা গোল্ড অনী মথংশীৎনা ফংলকখি। মমাং চহী ২০১৮ অসিমক্কী নবেম্বর ৪দগীনা ১১ ফাওবা তৌখিবা 'কম্মন ৱেলথ জুদো চেম্পিয়নশিপ'তসু সনাগী মেদল লৌরকখি। লোয়ননা কুমজা ২০১৮গী দিসেম্বর ১ অমসুং ২দা হোং কোংদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন জুদো ওপন ৱর্ল্ড রেঙ্কিং ইভেন্টতসু লিকমাবম সুশিলানা কিলোগ্রাম ৪৮গী কাংলুপ্তা সিলভর মেদল ফংবা ঙম্লকখি।




হৌজিক হৌজিক হোং কোংদা লৈরিবী জুদোকা অসিনা টোকিও ওলিম্পিক ক্কালিফাইদকী মতাংদা ফোংদোকপীরকখিবা ৱাফম খরদি; মথং চহীদা টোকিওদা তৌগদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অসিদা ঐহাকসু শোইদনা য়াওবা ঙমগদ্রা হায়নদি খল্লি। অয়াম্বা ওলিম্পিক ক্কালিফিকেসনগী শান্নজখিবা ইভেন্টশিংদসু মথং মথং মায় পাক্লা চঙশিনজরক্লি। শোইদনা ঙম্লনবা হোৎনজগে হায়নসু খঞ্জরি।

... মথং মথং ...

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০৮

১) বর্লিনগী চেকপল থুগাইখ্রবা মতুংদা নোংপোক অমসুং নোংচুপ জর্মনি পুনশিনখি। মদুদা নোংপোক জর্মনিগী মহুৎ শীন্দুনা ওলিম্পিক্কী চেম্পিয়ন ওইরম্বা শান্নরোয় অমদি চহী অমদা ষ্টেরিয়দ (Steriod) গ্রাম ৩,৯৫৫ চাখি হায়না খঙলকখি, মহাক কনানো?

২) ঐহাক অনীশুবা মেগা মরাথন্দা নুপাগী চহী ৫০গী গ্রুপ্তা অনীশুবা তাখি। ঐগী ইমিং হায়য়ু।

৩) ৱিন্টর ওলিম্পিক্কী স্লালোম (SLALOM)গী থৌরমদা এথলেট অমদি পোজিসন অহুমগী মনুং চনবা ঙমখিদবদগী নিংবা কায়খি। মরম অদুনা লমথুংফম য়ৌগদবা মিটর অমরোমতা ঙাইরবা মফমদগী ফমথরগা লমথুংফম লোমদা মনিং ওনশিল্লগা লমথুংফম অদু লাম্হোকখি। মহাক কনানো?

৪) মণিপুরদা লৈরিবা ক্লব, স্কুল, কোলেজতা ষ্টেটকী ওইবা শান্নবগী লুপনচিংবা অসিগী মনুংদা হৌখিবা চহী নিফু (৪০) অসিদা চহীগী ওইনা ক্রোস কন্ট্রি লমজেল (Cross Country Race) পাঙথোক্তুনা মনা মথুম অমদি সার্টিফিকেটনচিংবা য়েন্থোকপা অমগী মমিং পীয়ু।



৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? ⟶

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# দেবিস কপ টেন্নিস্তা পাকিস্তানবু মেচ ৪-০দা থোইদুনা ইন্দিয়ানা ক্রোসিয়াগা শান্নরগনি

নুর সুল্টান, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী): কজাকস্তানগী নুর সুল্টানদা ইনিদয়া অমসুং পাকিস্তাননা শান্নবা এসিয়া/ওসিনিয়া দেবিস কপ গ্রুপ টাইদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু মেচ ৪-০দা থোইদুনা ৱর্ল্ড গ্রুপ ক্কালিফাই ওইনবগীদমক ক্রোসিয়াগা থেংনরগনি।



থা অসিগী ২৯দা শান্নখিবা অহানবা সিঙ্গলস মেচ অনীমক ইন্দিয়ানা থোইখি। রামকুমার রামানাথননা পাকিস্তানগী মহমদ সোয়বপু য়াম্না কোম্না ৬-০, ৬-০দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সিঙ্গলস মেচতা ইন্দিয়াগী সুমিত নগালনা পাকিস্তানগী হুজাইফা অব্দুল রহমানবু ৬-০, ৬-২দা থোইদুনা মেচ ২ মাংজিল থাদুনা লৈখি।

ঙরাং শান্নখিবা দবলসকী মেচতা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী ভেটরান লিয়েন্দর পেজ অমসুং জিবন নেদুনসেজিয়ননা পাকিস্তানগী রহমান অমসুং সোয়বপু ৬-১, ৬-৩দা থোইরগা টাই অদু মায় পাকখি। অদুবু অহানবা রিভর্স সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সুমিত নগালনা পাকিস্তানগী খালিলবু ৬-১, ৬-০দা থোইদুনা মার্চ ৬ অমসুং ৭তা দেবিস কপ ফাইনেলদা ক্কালিফাই ওইননবা ৱর্ল্ড নম্বর ২ ক্রোসিয়াগা শান্নরগনি।

# ইঞ্জুরি টাইমগী পাঞ্জলনা এফ সি গোৱা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মখুৎতা মায়থীরমগদবদগী ২-২দা দ্রো চৎখ্রে

Match on 3 Dec. (Monday)
JAMSHEDPUR Vs NE UNITED

কোচি, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী): হিরো ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ৬শুবা এদিসনগী ঙসি কেরলাগী সিটি কোচিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেচ অমদা এফ সি গোৱাগী টিমনা ইঞ্জুরি টাইমগী অনীশুবা মিনটতা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা য়ুম্বু কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মখুৎতা মায়থীরমগদবা অদু পাঞ্জল ২-২ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।



এফ সি গোৱা ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা ৫শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা পোইন্ট ৮ ফংলগা টিম ১০গী লম্বা অসিদা মেচ ২ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎলবা মতুং ১ মায়থীদুনা ৫শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

অমরোমদা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী টিম মেচ ১খক মায় পাকপা ১ দ্রো চৎখিবা অমসুং ৩ মায়থীবা নংখিবা অদুনা রাউন্দ ৫ লোইশিল্লকপা অদুদা পোইন্ট ৪ ফংলগা ৯ শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

ঙসিগী মেচ অদু হৌরকপা মিনট ১ চঙশিল্লকপদা কেরলা ব্লাষ্টর্সনা পাঞ্জল অমা চনশিনখি। ঙসিগী মেচ অদুনা চত্থরিবা লীগ মেচ অসিগী খ্বাইদগী ঙন্না চনবা পাঞ্জল অদু ওইগনি। এফ সি গোৱাগী মোরটাদা ফোলনা দিফেন্সিপ ওইবা পাস অমা হেদ তৌশিল্লকপা অদুদা লুমদুনা লৈরম্বা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী সর্জিও সিদোনচানা কাউশিন্দুনা এফ সি গোৱাগী গোল কিপ্পর মণিপুর মহমদ নৱাজ করিমত্তা তৌবা ঙমহৌদে।

অহানবা হাফ লোইগদবা মিনট ৪ ৱাৎলিঙৈদা এফ সি গোৱাগী মায়কৈদগী চত্থরকপা এটেক অমদা ফিল্ডগী ওই থংব মায়কৈদগী মণিপুর মচা জেকিচান্দা য়াম্না ফজনা পীরকপা ক্রোস অমা মোরটাদানা হেদ তৌশিন্দুনা ইক্বেলাইজর ওইখি।

মেচকী ৫৯ শুবা মিনটতা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী আর বাউলিনা পাঞ্জল চন্দুনা মাংজিল থাখিবা অদু ইঞ্জুরি টামদা গোৱাগী রোদ্রিগেসনা হন্দোক্লগা ২-২দা দ্রো চৎখি।

| Pos | Team | Pl | W | D | L | GF | GA | GD | Pt |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | ATK | 6 | 3 | 2 | 1 | 12 | 5 | +7 | 11 |
| 2 | Bengaluru | 6 | 2 | 4 | 0 | 6 | 2 | +4 | 10 |
| 3 | Jamshedpur | 5 | 3 | 1 | 1 | 7 | 5 | +2 | 10 |
| 4 | Goa | 6 | 2 | 3 | 1 | 12 | 8 | +4 | 9 |
| 5 | NorthEast United | 5 | 2 | 3 | 0 | 7 | 5 | +2 | 9 |
| 6 | Odisha | 6 | 1 | 3 | 2 | 8 | 8 | 0 | 6 |
| 7 | Mumbai City | 6 | 1 | 3 | 2 | 9 | 12 | −3 | 6 |
| 8 | Kerala Blasters | 6 | 1 | 2 | 3 | 5 | 7 | −2 | 5 |
| 9 | Chennaiyin | 6 | 1 | 2 | 3 | 4 | 10 | −6 | 5 |
| 10 | Hyderabad | 6 | 1 | 1 | 4 | 5 | 13 | −8 | 4 |

# সায়দ মোদি ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম্মা মায়থীহৌরে

SYED MODI INTERNATIONAL BADMINTON CHAMPIONSHIP





লখনৌ, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী উত্তর প্রদেশকী সিটি লখনৌদা মমাং থাগী ২৬তগী হৌখিবা সায়দ মোদি ইন্টর্নেসনল বেদমিন্টন চেম্পিয়নশিপ ২০১৯দা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় সৌরব বর্ম্মা ফাইনেলদা চাইনিজ টাইপৈগী শান্নরোয় ৱাং জু ৱৈগী মখুত্তা মায়থীহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় সৌরব বর্ম্মনা টুর্নামেন্ট অসিগী ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী ৱাং জু ৱৈগা লম্বা তৌনখিবা অদুদা অহানবা গেম অদু ৱাং জুনা ২১-১৫দা থোইখি।

নীংশিংবা য়াই, টুর্নামেন্ট অসিগী সেমীফাইনেলদা সৌরব বর্ম্মনা সাউথ কোরিয়াগী শান্নরোয় হিও ক্বাং হীবু ২১-১৭, ১৬-২১, ২১-১৮দা থোইবা ঙমখি। অমরোমদা ৱাং জু ৱৈনা অতোপ্পা সাউথ কোরিয়াগী সোন ৱান হোবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৮, ২১-১৯দা থোইরম্বনি।

ঙসিগী ফাইনেল মেচ অদুদা সৌরব বর্ম্মা গেম অমা মায়থীদুনা লৈখ্রবা মতুং অনীশুবা গেম অদুদা হান্নদগী খর ফজবা ঙম্লবসু মহাক্না পোইন্ট ১৭য়ৌরকপদা ৱাং জু ৱৈনা পোইন্ট ২১ য়ৌবা হানখিবদগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদনা স্পেনগী হান্না ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ফাওবা ওইরম্লবী কেরোলিন মারিন্না থাইলেন্দগী ফিত্যপোর্ন চাইৱানবু ২১-১২, ২১-১৬তা থোইদুনা টাইটল ফংখি।

মিক্স দবলসতা রসিয়াগী পেয়র রোদিওন অলিমোব অমসুং এলিনা দাৱ্লেতোভানা নম্বর ৱান সিদেদ ওইখিবা ইংলেন্দগী মার্কস ইলিস অমসুং লোরেন স্মিথপু ২১-১৮, ২১-১৬তা থোইদুনা কাংলুপ অদুগী চেম্পিয়ন ওইখি।


নুপীগী দবলসতা ৭শুবা সিদেদ পেয়র ওইরিবা সাউথ কোরিয়াগী বেক হা না অমসুং জুং ক্যুং উননা অতোপ্পা সাউথ কোরিগী চাং য়ি না অমসুং কিম হে রিননবু ২৩-২১, ২১-১৫দা থোইদুনা কাংলুপ অদুগী মকোক ওইখি।

নুপাগী দবলসতা চাইনাগী পেয়র হি জি টিং অমদি তান কিয়াংনা সাউথ কোরিয়াগী সোই সোলগু অমদি সিও সিয়ুং জেবু ২১-১৮, ২১-১৯দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

# সাউথ এসিয়ন গেমস্তা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল টিম মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল চঙখ্রে

13th SOUTH ASIAN GAMES - 2019

কাথমন্দু, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী): নেপালগী কোনুং কাথমন্দুদা ওফিসল ওইনা ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ১০ ফাওবা পাঙথোক্কদবা সাউথ এসিয়ন গেম ২০১৯দা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপা অমসুং নুপীগী ভোল্লিবোল টিম মখোয় মখোয়গী লম্বা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌদুনা গোল্ড মেদল অনী ফংবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈখ্রে।



ভোল্লিবোলগী দিসিপ্লিন অসি ঙরাংদগী শান্নবা হৌখিবনি। ইন্দিয়াগী নুপীগী ভোল্লিবোল টিমনা মালদিপকা শান্নখিবা সেমিফাইনেল অদুদা য়াম্না হেনবা মওংদা মালদিপসপু ষ্ট্রেট সেট ৩দা মায়থীবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌখি।


অহানবা সেট ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ২৫-১৪দা থোইবা ঙমখি। অনীশুবা সেট অদুসু ইন্দিয়ানা কা হেন্না লাকচদুনা মালদিপসকী টিম অদুনা শুপ্পগী পোইন্ট ৬ খক লৌদুনা লৈরিঙৈদা ইন্দিয়ানা পোইন্ট ২৫ য়ৌখিবনি। অহুমশুবা সেট অদুদা মালদিপসকী শান্নরোয়শিং অদুনা পোইন্ট ১৭ ফাওবা লৌবা ঙমখ্রবসু ইন্দিয়ানা ২৫-১৭দা থোইদুনা ফাইনেলদা য়ুম্বু নেপালগা লম্বা তৌনরগনি। নেপালনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ঙরাং শ্রি লঙ্কাবু ২৫-১৪, ২৫-১৮, ২৫-২১দা মায়থীবা পীরম্বনি।

নুপাগী কাংলুপ্তা ঙসি ইন্দিয়াগী টিমা শ্রি লঙ্কাবু ২৭-২৫, ২৫-১৯, ২৫-১৯দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। মখোয়না গোল্ড মেদল মেচ অদুদা বংলাদেশপু ২৫-১৫, ২৫-২১, ২৬-২৪দা থোইরম্বা পাকিস্তানগা থা অসিগী ৩দা শান্নরগনি।

পুন্না এথলিট ২৭১৫না শরুক য়ারিবা গেম অদু ঙসি ওফিসল ওইনা নেপালগী প্রসিদেন্ট বিদ্যাদেবী বন্দারিনা হৌদোকখি। ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনদা এথলিট ৪৮৭না শরুক য়ারি।

# লিভরপুলনা ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওনবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীদুনা লীগ টেবলদা খ্বাইদগী নক্লবা টিমদগী পোইন্ট ১১ হেল্লি

লন্দন, দিসেম্বর ০১ (এজেন্সী): ইংলেন্দদা তোঙান-তোঙানবা ক্লব ২০না শরুক য়াদুনা পাঙথোক্লিবা ইংলিস প্রেমিয়র লীগকী ঙরাং লোইশিনখিনবা ১৪শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা লিভরপুলনা ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওনবু পাঞ্জল ২-১দা থোইদুনা পোইন্ট টেবলদা মখোয়গা খ্বাইদগী নক্লবা টিম ওইরিবা মেনচেষ্টর সিটিদগী পোইন্ট ১১ হেন্দুনা মাংজিল থাদুনা লৈরি।



লিভরপুল ফুটবোল ক্লবনা লীগ অসিদা পুন্না মেচ ১৪ শান্নরকপদা মেচ অমত্তা মায়থীবা নংদনা ১৩মক মায় পাক্লগা মেচ অমখক দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৪০ ফংলগা টেবলগী লিদর ওইরিবনি। মেনচেষ্টর সিটি মেচ ১৪দা ৯ থোইরগা দ্রো চৎখিবা অমদি ৩ মায়থীদুনা পোইন্ট ২৯ ফংলি।

অমরোমদা ঙসি অথেংবদা মেনচেষ্টর সিটিগা পোইন্ট চপ মান্নরিবা লেকেষ্টর সিটি করিগুম্বা এবর্টন ক্লবপু মায়থীবা পীবা ঙম্লবদি পোইন্ট ৩২ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা হায়গৎপা ঙমগদৌরিবনি।

লিভরপুল অমসুং ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওনগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেচ অদুগী হৌরকপদা লিভরপুলনা য়াম্না লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মেচকী ১৮ শুবা মিনটতা টিম অদুনা পুখৎলকখিবা এটেক অমদা অলেকজেন্দর অরনোল্ডনা ফংখিবা বোল অমা টিমমেট বরজিল ভান দিক্তা খায়রকপদা বরজিলনা অশোইবা য়াওহন্দনা অহানবা পাঞ্জল চনখি।

পাঞ্জল অমা মাংজিল থারবা মতুং মিনট ৬কী মতুংদা মখা তানা এটেক চত্থরকখিবা লিভরপুলগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা শান্নরোয় অনীমক্কী মায়কৈদগী অমুক্কসু খুদোংচাবা ফংদুনা অরনোল্ডগী বোল অদু বরজিলনা ২৪ শুবা মিনটতা মেচ অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল চনখি।

অনীশুবা হাফ ময়াই চনশিল্লবা মতুং লিভরপুলগী গোল্ড কিপ্পর ব্রাজিল মচা এলিসন পেনাল্টি এরিয়া মপান্দা থোক্তুনা বোল অমা থেংলুবগীদমক্তা রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তান্থোককখি। ৭৯ শুবা মিনটতা ফংখিবা ফ্রি কিক অদু ব্রাইটন এন্দ হোব অলবিওনগী মায়কৈদগী লেৱিস দঙ্কনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা লিভরপুলনা ২-১দা থোইখি।